# অসাম স্কোলারশিপ স্কাম : বরপেতাদগী কোলেজ প্রিন্সিপাল ১ য়াওনা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৫ ফারে




গুৱাহাটি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): মাইনোরিটি মহৈরোয়শিংদা মতেং ওইনবগীদমক সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা তোঙান তোঙানবা স্কিমগী মখাদা পীথরকপা লুপা ক্রোর কয়ারোমগী শেনফম অরানবা মওংদা হৈনথোক্লম্বা কোলেজ প্রিন্সিপাল অমা য়াওনা পুন্না মীওই মঙা বরপেতাদগী পুলিসনা ফারে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা বরপেতা দিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমিতাব সিনহানা ফোঙদোকখিবদা, বরপেতা অমসুং বোঙ্গাইগাউন দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোলেজশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী স্কোলারশিপকী য়াম্লবা শেনফম কয়া অরানবা মওংদা কোলেজ ওথোরিটি খরনা শিজিন্নরম্বা য়াবগী পাউ ফংলবা মতুং হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী হৌরগা হিরম অসিগী মতাংদা থিগৎপা হৌখিবনি। হায়রিবা চহী অদুদা পুলিসনা মীওই ২ ফাগৎপা ঙমখি। ইশান উদয় স্কোলারশিপ স্কিমগী মখাদা জহেরুল ইস্লাম অমসুং হবিবুর রহমন কৌবা মীওই অনী অসিনা য়াম্লবা শেনফম কয়া অরানবা মওংদা লৌথোকখি হায়বগী মরালদা পুলিসনা মখোয় অনী ফারবা মতুং ইল্লিগেল ওইবা থৌওংশিং অসিদা কোলেজ খরগী প্রিন্সিপালশিং অমসুং ষ্টাফশিং চেন্নে হায়বা খঙবা ঙমখি। ফারবা মীওই অনী অসিনা হায়দোরকপদগী বোঙ্গাইগাউন কোলেজকী প্রিন্সিপাল মনিক অলিগা লোয়নননা কোলেজ অসিগী জুনিয়র এসিষ্টেন্ট অবুল বসর অমদি বনিয়ারপাদা লৈবা পোপুলর কোলেজকী জুনিয়র এসিষ্টেন্টশিং সজিদুল ইস্লাম, খাবিরুদ্দিন অমসুং জহোরপাম ভিলেজদগী সলিম মলিকনি হায়রি।

এস পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী হৌরগা ইশান উদয় স্কোলারশিপ স্কিমগী মখাদা বোঙ্গাইগাউন দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লঙলা কোলেজ, বরপেতা দিষ্ট্রিক্টকী বনিয়ারপাদা লৈবা পোপুলর কোলেজ, কোয়াকুসি কোলেজ, হরেন্দ্র-চিত্র কোলেজ অমসুং অভয়াপুরিদা লৈবা সী কোলেজদা থাদরকখিবা লুপা ক্রোর কয়ারোমগী ওইগদবা শেনফমশিং অরানবা মওংদা মীওই খরনা হৈনথোক্লম্বনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা *পোপি লৈরাং* হায়না মিংথোনবা ৱার ওন ড্রগসতা শৈথাবা ম্যুজিক ভিদিও এলবম অমা ফোঙবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

## ফাজিন্দুনা থম্লম্বা মীওই ২ মেঘলায়া পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে ক্রিমিনেল অনী হাৎখ্রে



তুরা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): মেঘলায়া পুলিসকী য়াম্না চাওথোকচনিঙাই ওইবা মীকুপ অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাং ষ্টেট অসিগী ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টতা ক্রিমিনেলশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা মীওই অনী কনবা ঙমখিবগা লোয়নননা পুলিসকী এঙ্কনদা মীওই অনী অদুবু ফাজিন্দুনা থম্লম্বদা চেন্নবা ক্রিমিনেল অনী শিখ্রে হায়রি।

মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ষ্টেট পুলিসকী থৌনা ফবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা পুলিসনা থৌনা ফনা থবক তৌরিবমখৈ ষ্টেট অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী চাং শোয়দনা হন্থরক্কনি হায়রি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মপান্দগী লাকপা ক্রিমিনেল খরনা ষ্টেট অসিগী ঈং তপ্পদা অকায়বা পীনবা হোৎনরি। অদুবু ষ্টেট অসিগী পুলিসশিংনা ঙরাং নুমিদাং ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা দিব্রু হিল রিজর্ভ ফোরেষ্টতা চথখিবা ওপরেসন অমদা ক্রিমিনেলশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা মীওই অনী অদু কনবা ঙমখিবনি। পুলিসনা কনবা ঙমখ্রবা মীওই অনী অদুদি গুৱাতিদগী বিকাস ছেতিয়া অমসুং অসামগী গোলপরা দিষ্ট্রিক্টতগী মশক মমিং খঙদ্রিবা অঙাং অমনি। অথুবা মতমদা অঙাং অসিগী মতাংদা খঙদোক্তুনা ময়ুমগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রগনি হায়রি।

অমরোমদা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং মেখলায়া পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা উমংগী শরুক অদুদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা হান্না লৈরম্বা ক্রিমিনেলশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখিবগা লোয়নননা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা নাম্হোক্লবা হোৎনখি। অদুবু পুলিসনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ক্রিমিনেল অনী শিখিবনি হায়রি।

## অথুবা মতমদা ঐচ এন এল সীগা ওফিসল ওইনা ৱারী শাবগী থবক চথবা হৌরগনি : সী এম

শিল্লোং, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): হৈনিত্রেপ নেসনল লিবরেসন কাউন্সিল (ঐচ এন এল সী) গা মখা তানা পীছ টোক ওফিসল ওইনা চথবা হৌরগনি হায়না মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গভর্নমেন্ট অমদি লোনা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলুপ অসিগা মখা তানা পীছ টোক তৌনবগী থবক চথরি। অথুবা মতমদা নাকল অনীগী মরক্তা পীছ টোক চথরবা য়ানা লৈরে। ঐচ এন এল সীগা পীছ টোক চথগদৌরিবা অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ মশানা য়াম্না মুন্না মোনিটর তৌরি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু পীছ টোক অসি অথুবা মতমদা চথনবা হোৎনরি অমদি হিরম অসিগী মতাংদা য়াম্না তোয়না পাউ ফাওনরি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মায়কৈদগীসু ৱারী শান্নদৌরিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা পোজিটিব ওইবা মওংদা পুরক্লবা হোৎনগনি হায়না খঙহল্লকপসু লৈখ্রে। ঐচ এন এল সী অমসুং মেঘলায়া গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা অন-ওফিসল ওইবা মওংদা ৱারী শাবগী থবক্তি কয়ারক চথখ্রে। ৱারী শান্নখিবশিং অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা ওফিসল ওইনা ৱারী শাবগী থবক চথনবা হোৎনরকপনি হায়রি।

## চহী নৌরিবী অঙাং রেপ তৌরম্বগী মরালদা মীওই অমা ফারে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): অসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা দতলপারা এরিয়াদা মশাগী চহী ৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু রেপ তৌরম্বগী থৌদোক্তা মরী লৈননা মশাগী চহী ৮০ রোম শুরবা অহল অমা পুলিসনা ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, অহল অসিনা অঙাং অদুবু অচাপোৎ পীজদুনা থেল্লগা ইমুংদা পুশিল্লবা মতুং রেপ তৌখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ভিক্টিম অসিগী অপোকপনা পুলিসতা কমপ্লেন তৌরক্লবা মতুং থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসি খুদক্তা ফাখিবনি হায়রি।

ভিক্টিম অসিগী অপোকপনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসি মখোয়গী ময়ুমদা য়াম্না তোয়না লাকপা খঙনবা মীওই অমনি। অদুবু মখোয় লৈত্রিঙৈগী খুদোংচাবা লৌরগা অঙাং অদুবু মীওই অদুনা রেপ তৌরমখিবনি হায়রি।

## দিওরি ওটোনোমস কাউন্সিলগী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্লে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): হন্দক অসামগী দিওরি ওটোনোমস কাউন্সিলগী ওইনা পাঙথোকখিবা মীখলদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখ্রে হায়রি।

অসাম ষ্টেট ইলেক্সন কন্মিসননা থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না সিট ২২ লৈবা কাউন্সিল অসিগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ১২ দা মায় পাকখি। অদুগা কোংগ্রেসনা সিট ২, জননায়ক জনতা পার্টিনা সিট ৭ তা অদুগা ইন্দিপেন্দেন্ট অমা মায় পাকখি। দিওরি ওটোনোমস কাউন্সিলগী মীখল অসি থা অসিগী ৮ দা পাঙথোকখিবনি। অদুগা ভোট মশিং থিবগী থবক্লা ঙসি চথখিবনি। পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা ভোট থাদবগী চাং ৭৯.৯৯ য়ৌখি কন্সটিট্যুয়েন্সি ২২ দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা পুন্না ভোটর ৪৩,৫৯৫ না ভোট থাদখি। অপুনবা ভোটরশিং অসিগী মনুংদা নুপা ভোটরনা ২১,৪১২ নি অদুগা নুপী ভোটর মশিংনা ২২,১৮৩ নি হায়রি।

## সিক্কিমগী লম্বী অমদি থোংশিং শেমজিন্নবগীদমক সেন্টরনা লুপা ক্রোর ১৫ কায়থোক্তুনা থম্লে

গেংতোক, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): গুৱাহাটিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ নিতিন গদকারিনা সিক্কিমগী ওইনা লৈরিবা মতিক চাদ্রবা থোংশিং শিন্দোক্লবা অমদি ষ্টেট হায়ৱেশিং শেমজিন্নবা লুপা ক্রোর ১৫ গী শেনফম কায়থোক্তুনা থম্লে হায়না লাউথোক্লম্লে হায়না সিক্কিমগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম সিংহ তমাল গোলেনা ফোঙদোরক্লি।




হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গুৱাহাটিদা ঙরাং সিক্কিম অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা পায়খৎলিবা এন ঐচ প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিননা চ্যের লৌদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লমখিবনি। মীফম অদুদা এন ঐচ আই দি সী এলগী মরুওইবা মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এন ঐচ আই দি সী এলগী মীহুৎশিংনা মখোয়না চথরিবা থবক্তা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী মতাংদা খঙহনখি। লম্বী শেমজিনবা অমদি নৌনা পাকথোকপগী থবক চথবদা লমগী মতাংদা থোক্লিবা চয়েৎনবশিং, ফোরেষ্ট ক্লিয়রেন্স য়াওদবগী খুদোংচাদবা অমদি তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা হিরম অসিগী মতাংদসু খন্নখি। অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা মতেং পাংহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লরকখি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী লম্বী-থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎলক্লিবা অসি থাগৎনিঙাই ওই অমদি এন ঐচকী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিদা এন ঐচ আই দি সী এলগী মীহুৎশিংনা পুকচেল শেংনা অমদি চেকশিন্না থবক তৌনবা অপিলসু তৌখি হায়রি।

## CROSSWORD-3697



**ACROSS**
1 Admitting guilt (10)
7 Unvarying (7)
8 Pleasure garden (4)
10 In those days (4)
11 Huge (8)
13 Something to aim for (6)
15 Turf accountant (6)
17 Differ (8)
18 Root vegetable providing sugar (4)
21 US state (4)
22 Japanese art of paper folding(7)
23 Destitute (4-3-3)

**DOWN**
1 Felony (5)
2 Corner (4)
3 Stoat fur (6)
4 Higher-ranking (8)
5 English county (7)
6 Crowd (9)
9 Find out (9)
12 Extend (8)
14 Italian rice dish (7)
16 Fame (6)
19 Precise (5)
20 Grain store (4)

Solution 3696



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4096

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 9 | | 2 | | | | 1 |
| | 2 | | | 1 | 4 | 7 | | |
| 5 | | | | | | 2 | | |
| 3 | | | 4 | | | | | |
| | | 1 | 7 | | 9 | 4 | | |
| | | | | | 8 | | | 6 |
| | | 7 | | | | | | 2 |
| | | 8 | 6 | 9 | | | 4 | |
| 1 | | | | 4 | | 8 | 7 | |

### Solution-4095

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 7 | 5 | 2 | 9 | 8 | 6 | 3 |
| 9 | 5 | 8 | 3 | 7 | 6 | 2 | 4 | 1 |
| 3 | 2 | 6 | 1 | 4 | 8 | 5 | 9 | 7 |
| 7 | 3 | 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 1 | 8 |
| 6 | 9 | 4 | 7 | 8 | 1 | 3 | 5 | 2 |
| 8 | 1 | 2 | 4 | 3 | 5 | 6 | 7 | 9 |
| 2 | 7 | 1 | 6 | 5 | 3 | 9 | 8 | 4 |
| 4 | 6 | 3 | 8 | 9 | 7 | 1 | 2 | 5 |
| 5 | 8 | 9 | 2 | 1 | 4 | 7 | 3 | 6 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

## ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### IB RECRUITMENT 2022 FOR 1671 SECURITY ASSISTANT, MULTI-TASKING STAFF

Intelligence Bureau (IB) Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) Recruitment 2022
Advertisement for the post of Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) in the Intelligence Bureau (IB). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 25th November 2022. Candidates can check the latest Intelligence Bureau (IB) Recruitment 2022 Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) Vacancy 2022 details and apply online at www.mha.gov.in/ recruitment 2022 page.
The Intelligence Bureau (IB) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.mha.gov.in/. Intelligence Bureau (IB) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Anywhere In India. More details of www.mha.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS)
Corporate Location:
North Block, New Delhi, 110001 Delhi
Job Location: Anywhere In India.
Last Date: 25th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 1671 Posts
Educational Qualification:
(i) Matriculation (10th class pass) or equivalent from a recognized Board of Education, and
(ii) Possession of domicile certificate of that State against which candidate has applied.
(iii) Knowledge of any one of the local language/dialect mentionedin Table 'A' above against each SIB.
Pay Scale:
INR
18000-69100/- Per Month
Age Limit: MTS: 18-25 years. Security Assistant/Executive: Not exceeding 27 years as on 25.11.22.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee:
General, OBC, EWS Candidates Fee:- 450/-
SC, ST Candidates Fee:- 50/-
All Category Female Candidates Fee:- 50/-.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled out online / Offline. Please follow the link given below to apply (or visit the original job details page): https://www.mha.gov.in/ (Application Form Start: 05 November 2022)
Important Dates:
Published on: 27th October 2022
Last date for application is: 25th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### AMDER RECRUITMENT 2022 FOR 321 JTO, ASSISTANT SECURITY OFFICER, SECURITY GUARD

Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard Recruitment 2022
Advertisement for the post of Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard in the Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 17th November 2022. Candidates can check the latest Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Recruitment 2022 Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security GuardVacancy 2022 details and apply online at www.amd.gov.in/ recruitment 2022 page.
The Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.amd.gov.in/. Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Anywhere In India. More details of www.amd.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard
Corporate Location:
Begumpet, Hyderabad, 500016 Telangana
Job Location: Anywhere In India.
Last Date: 17th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 321 Posts
Educational Qualification:
Junior Translation Officer (JTO): Master Degree in Hindi / English with English / Hindi as a main subject at degree level. OR Master Degree in any subject with Hindi and English as main subjects at Degree. OR Master Degree in any Subject with Hindi / English medium and English / Hindi as a main subject at Degree level.
Assistant Security Officer (ASO): Candidates must have Graduation Degree or Equivalent qualification from a recognized University/ Institute.
Security Guard: Candidates should have 10th Pass from any recognized Board.
Pay Scale:
INR
18000-35400/- Per Month
Age Limit: 18-28 Years.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee:
JTO & ASO Application Fee: Rs.200/-
Security Guard Application Fee: Rs.100/-
SC, ST Candidates Fee: Rs.0/-
Female, ESM, PwD Candidates Fee: Rs.0/-
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.amd.gov.in/, (From 29 October 2022) This Jo Source is Employment News 29 Oct - 4 Nov 2022, Page No.24.
Important Dates:
Published on: 27th October 2022

Last date for application is: 17th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

